## সুইসাইদ বোম্মিংদা মরি শিরে

কাবুল, জুলাই ২৭:
অফঘানিষ্টানগী ঘঝনি প্রোভিন্সতা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা কার বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর ৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না টোলো ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়রি।

এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা কার অমা থৌরিবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪.৩০ তাবদা অব বান্দ দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক গভর্নর বিল্ডিংগী অহানবা গেট মনাক্তা সুইসাইদ বোম এটেক অদু চথখিবনি হায়না ঘঝনি পুলিসকী চীফনা ফোঙদোকখি।

## য়ু এসনা য়াদ্রবদি অতৈ মফমদা চৎকনি

ইষ্টানবুল, জুলাই ২৭: করিগুম্বা য়ু এসনা টর্কিদা এফ-৩৫ জেটশিং য়োল্লরোই হায়না থাঙ্গৈশেংনা লেপ্পা তারবদি অঙ্কারানা অতৈ মফমদা মায় ওনশিনগনি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট টয়িপ ইর্দোগান্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# টেররিজমগী মতাংদা মালেমগী ওইবা মীফম পাঙথোকপগী ৱাফম শৌগৎনবা ব্রিক্সতা তকশিনখ্রে



রিও দি জনৈরো, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ানা ব্রিক্স লৈবাকশিংদা হৌখিবা থাদা জপানগী ওসাকাদা ব্লোক অসিগী লুচিংবশিংগী ওইবা ইনফোর্মেল মীটিং অমা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গ্লোবেল কনফরেন্স ওন টেররিজম (জি সী টি) অমা পাঙথোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখিবদু শৌগৎনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীফম অমা পাঙথোকপনা কোমপ্রিহেন্সিভ কনভেন্সন ওন ইন্টরনেসনল টেররিজম (সী সী আই টি)গী ৱারোইশিন থুনা পুরকপদা মতেং পাংগনি হায়খ্রে।

ব্রিক্স হায়বদি ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী ওইবা ওর্গনাইজেসনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী রিও দি জনৈরোদা পাঙথোকপা মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ভি কে সিংহনা হায়খি মদুদি, ব্রিক্সনা জি সী টি শৌগৎপা তারবদি ব্লোক অসিনা মালেমগী ওইবা অচেৎপা লিগেল বেসিস অমদা টেররিজম থেংনবগী মপুং ফারবা খোঙজং অমদা থাজবা থম্লগা থবক পায়খৎপা ঙমদুনা সী সী আই টিগী ৱারোইশিন থুনা পুরকপদা শোয়দনা মতেং পাংগনি। এক্সটরনেল এফেয়রস মিনিষ্টর এস জাইসঙ্করগী মহুৎ শীন্দুনা মীফমদুদা শরুক য়ারিবা ভি কে সিংহনা মখা তারদুনা কুমজা ২০১৭গী সীয়ামেন ব্রিক্স সম্মিটতা লাউথোকখিবা ব্লোক অসিগী ওইবা ৱারোলদা টেররিজম প্রোব্লেম অসিবু পুন্না থেংনমিন্নবগী ফিরেপ উৎখ্রবনি হায়খি অমসুং ইন্দিয়ানা জ সী টিগী ৱাফম হৌদোকখিবা অসিদা মেম্বরশিংনসু শৌগৎনবা হায়জখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ওসাকাদা পীখিবা রিকমেন্দেসন মঙাদা ব্রিক্সনা মফুং ফানা শৌগৎনবসু মহাক্না ব্লোক অসিগী অতৈ লৈবাকশিংদা আপিল তৌখি। ইকনমিক ওফেন্দরশিং অমসুং মীচেনশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা মালেমগী শেল-থুমগী তং তাবা ফিভমদা অকিবা চাওনা পোকহল্লিবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মায়োক্তা মখা তানা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু জেনরেল ভি কে সিংহনা ফোঙদোকখি।

# ফিলিপিন্সতা য়ুহা হাবদা মীওই ৮ শিরে, ৬০ শোক্লে



মনিলা, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
ফিলিপিন্সকী অৱাংদা লৈবা ইথৎ মচা খরদা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা থোকখিবা য়ু হাবগী থৌদোক অমগা লোয়ননা মতুং তাবা অফটর সোকশিংদা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং মীওই ৬০না অশোক-অপন নংলে হায়না দিজাষ্টর ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ফিলিপিন্সগী গভর্নমেন্ট দেতা মতুং ইন্না অহানবদা বাতানিস ইথৎশিং মেগ্নিট্যুদ ৫.৪ গী চাংদা নীকখ্রবা মতুং ঙাইহাক কান্নরবা মেগ্নিটড্যুদ ৫.৯ গী অফটর সোক অমনা অমুক মফম অদু নীকহনখি। ঙাইহাক্কী মনুংদা অতোপ্পা অচৌবা অফটরসোক অমসুং থোকখি।

অহানবগী য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৫ শিখি অদুগা অফটরসোকশিং অদুদা মীওই ৩ শিখি হায়না দিজাষ্টর এজেন্সিগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর রিকার্দো জ লাদনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

ইটবায়েট টাউনদা লৈবা ইদনা গাটো কৌবা স্কুলগী ওঝা অমনা অকনবা অফটরসোকশিং লেপ্তুনা থোকপগুম মশাদা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি। ফিলিপিন্সকী মপুং ওইবা ইথৎ লুঝোন অমসুং টাইৱানগী মরক্তা লৈরিবা ইথৎশিং অদুদা নেসনল দিজাষ্টর এজেন্সিনা মেদিকেল অমসুং রেস্ক্যু টিমশিং থাখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনসু এয়রক্রাফট অমা শীজিন্নদুনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েনবা অমদি অশোকপশিং হোনবগী থবক হৌহনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# বহরেইনদা সিয়াইট এক্তিভিষ্টশিং য়াওনা কনভিক্ট ৩ হাৎখ্রে



দুবাই, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
বহরেইনগী ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা কেস অনীদা কনভিক্ট তৌরবা মীওই অহুম হাৎখ্রে হায়না পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পল্লিবা মীওই অহুম অদুবু কনভিক্ট তৌরিবা তোঙান তোঙানবা কেস অনীদুগী মনুংদা অমদি পুলিস ওফিসর অমা হাৎপগীনি অমসুং অতোপ্পা কেসতুনা মোস্ক অমগী ইমাম হাৎখিবগী মতাংদনি। রাইটস গ্রুপশিংনা মীওই অহুমদুগী মনুংদা অনীদি সিয়াইট এক্তিভিষ্টশিং ওইরিবা অলি অল-অরাব অমসুং অহম্মদ অল-মলালিনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয়গী মতুং ইন্না মীওই অনী অসি হৌখিবা চহীদা অতোপ্পা মীওই ৫৫ গা লোয়ননা চথখিবা অপুনবা ৱায়েল অমদা কনভিক্ট তৌখিবগা লোয়ননা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। মখোয় অচৌবা খুৎলায়শিং অমদি এক্সপ্লোসিভশিং শীজিন্নবগী ট্রেনিং পীখ্রবা টেররিষ্ট সেল অমগী মেম্বরশিংনি হায়না মরাল শিখ্রবা মতুংদা কোর্টনা মখোয়গী মনুংদা মীওই ১৯ পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখি অমসুং মীওই ৩৭ না চহী ১৫ ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাকশিং পীখি।

মীওইশিং অদুগী মমিং অমত্তা পনখিদবা প্রোসিক্যুটরগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অনীদি কুমজা ২০১৭ তা ইরানদা বেজ তৌবা রিং লিদরশিংনা ইথিল পীদুনা চথখিবা এটেকশিংদা পুলিস ওফিসর অমবু এসোল্ট রাইফলস অমা শীজিন্নদুনা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওনা অতৈ ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিংনি হায়না ফেঙদোকখি।

বহরেইনন্না সিয়াইট ইরানবু লালহৌবগী ইরাং শাগৎনবা ইথিল পী হায়না মরাল শীরিবনি। অমরোমদা, টেহরান্না বহরেইনগী ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি। য়ু এসনেভিগী মঙাশুবা ফ্লিটকী বেজ ওইনসু শীজিন্নবা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইবা মরু ওইবা ইথৎ লৈবাক বহরেইনগী মীশিং অয়াম্বনা সিয়াইটশিং ওইরবসু সুনি রোয়েল ফেমিলি অমনা লৈঙাক্লিবনি।

# পাকিষ্টানগী এফ-১৬শিংগী দোলর মিলিয়ন ১২৫গী সপোর্ট পেকেজ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এপ্রুভ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
পাকিষ্টানগী এফ-১৬ ৱার প্লেনশিংগী দোলর মিলিয়ন ১২৫গী সপোর্ট পেকেজ অমা য়ু এসনা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়রি।

হন্দক্তা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানন্না ৱাশিংটন্দা খোঙচৎ অমা চত্তুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা লৈবাক অনীগী মরী য়াওনা হীরম কয়াগী ৱারী শান্নখিবা মতুংদা নুমিৎ খরনি কান্নরগা য়ু এসনা পেকেজ অদুবু এপ্রুভ তৌখিবনি। য়ু এসনা শাবা এয়রক্রাফট অদুগী সপোর্ট পেকেজ অদু য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমিত্তা এপ্রুভ তৌখি অমসুং নুমিৎসিমক্তদা য়ু এস দিফেন্স সিক্যুরিটি কোওপরেসন এজেন্সি (দি এস সী এ)নসু অয়াবা পীবগী ৱাফম লাউথোকখি।

টেক্নিকেল সিক্যুরিটি টিম (টি এস টি)গা মরী লৈননা দোলর মিলিয়ন ১২৫গী এফ-১৬ প্রোগ্রাম মখা তানা শৌগৎপা ওইনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা





পাকিষ্টান্দা ফোরেন মিলিটরি সেলগী থৌরাং মখাদা পেকেজ অদুগী অয়াবা পীনবা ৱারেপ লৌরে হায়না দি এস সী এগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসতসু খঙহনখ্রে হায়রি।

য়ু এস গভর্নমেন্ট অমসুং কন্ট্রক্তরগী টেক্নিকেল অমদি লোজিষ্টিক্স সপোর্ট সর্ভিসশিং য়াওনা টেক্নিকেল সপোর্ট সর্ভিসশিং মখা তানা পীবিনবা পাকিষ্টান্না য়ু এসতা তোয়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা হায়জরিবা অদুদা পাকিষ্টান পিছ ড্রাইভ এদভান্স এফ-১৬ প্রোগ্রাম শৌগৎনবগী ওপরেসনশিংদা লোজিষ্টিক্স সপোর্টকী অতৈ মরী লৈনবা মচাক কয়াসু য়াওহনবিয়ু হায়না পনখিবনি। প্রোগ্রাম অদুদা চঙগদবা অপুনবা শেনফম দোলর মিলিয়ন ১২৫ দা লেপখিবনি।

অসিগুম্বা লোজিষ্টিক্স সপোর্টতা মরী লৈননা য়োনগদৌরিবা অসিনা য়ু এস পর্সনেলশিং লেপ্তুনা লৈহনবগা লোয়ননা য়ু এসকী টেক্নোলোজি ঙাক শেনবগী খুখাংদা লৈবাক অসিগী ফোরেন পোলিসি অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি শৌগৎকদৌরিবনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই অফঘানিষ্টানগী মতাংদা ৱাশিংটন্না থল্লিবা পান্দমশিং ফংহনবদা মতেং পাংদে হায়রদুনা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না কুমজা ২০১৮ গী জন্যুৱারিদগী পাকিষ্টান্দা পীরম্বা ফোরেন মিলিটরি সেলগী ওইবা সপোর্ট প্রোগ্রাম খুদিংমক লেপ্লকখিবনি।

## আইরিস য়ুনিফিকেসনগী ৱাফম লাকহনগনি

গ্লেন্টিস, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
করিগুম্বা বৃটেন্না ওগষ্ট ৩১ দা দিভোর্স দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা তারবদি আইরলেন্দ অমসুং বৃটিশনা লৈঙাকপা নোরদর্ন আইরলেন্দ পুনশিন্নবগী ৱাফম অমা লাক্কনি হায়না আইরিস প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভরাদকরনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হার্দ ব্রেক্সিট হায়নরিবা অসিনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈরিবা স্কোটলেন্দগী অশোনবা লাকহনবা য়াই হায়নসু চেকশিনৱা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, ইরাই নুমিত্তা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অসিবু নোরদর্ন আইরলেন্দগী খ্বাইদগী চাওবা প্রো-বৃটিশ পার্টি ওইরিবা দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নিষ্ট পার্টিগী এম পি ইয়ান পাইস্লিনা খুদক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা আইরিস গভর্নমেন্টকী অসিগুম্বা ৱারোলশিং অসিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মতেং পাংলোইদবদা নত্তনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি কান্নদবদা কন্না ঙাঙবা তাগনি হায়খি।

আইরিস গভর্নমেন্টনা অপুনবা আইরলেন্দ অমগীদমক্তা পব্লিক প্লান অমা হৌনবা খন্নবা লৈব্রা হায়না পোলিটিকেল ফোরম অমদা হংবদা ভরাদকারনা হায়খি মদুদি, নোরদর্ন আইরলেন্দদা লৈরিবা প্রো-বৃটিশ য়ুনিয়নিষ্টশিংদা কায়হৌবা ওইনা থোক্কদবগী ফিভম লৈবনা হৌজিকমক্কীদি অসিগুম্বা থৌরাং অমা খন্নবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং দিল য়াওদবা হার্দ ব্রেক্সিটকী ফিভম লাক্লবদি অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিসু খন্নদবা য়ারোই।

করিগুম্বা বৃটেন্না নোরদর্ন আইরলেন্দবু মফম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী ব্লোক অসিগী সিটিজনসিপ লৌথোক্তুনা গুদ ফ্রাইদেগী এগ্রীমেন্টতা শোকহনবা তারবদি তঙাইফদনা ৱাফমশিং অসি ঐখোয়না পাল্লবসু পামদ্রবসু মশানা লাকচগনি হায়না ভরাদকারনা আইরলেন্দগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মেকগিল সম্মর স্কুলদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা শরুক য়ারদুনা হায়খি।


**/পাইলস ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি**



নুঙশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- নুঙশং পেরে, কল্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং মরেং চৎপা, চক চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ চনপ লাউবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্লা মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা শাবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফ্রা ফ্রা লাউনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাউথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai, Saya Club, Imphal East - 795002,
HL-P/3486/28-31/1-11 P.O. Mantripukhri, P.S. Heingang #8014023792


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 642/2019**

1. Nameirakpam Premjit Singh, S/o Inaoton Singh of Patsoi Part II Makha Leikai
2. Soibam Surchand Singh, S/o Sarat Singh of Changangei

*...Petitioners*

-Vs-

Late Taorem Kamal Singh, S/o (L) Chaoba Singh of Tulihal

*...O.P. Party*

**/ NOTICE**

The 27th July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃঃ পাট্টাদার তাওরেম কমল সিংহ পীং মৃঃ চাওবা সিংহ, সাং তুলিহলগী মিংদা লৈবা ই ও তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫১, দাগ নং ২৪২০ অমসুং এরিয়ানা .২০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনিসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপাতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথ্খজরগনি।

***Sd/- Sub-Deputy Collector,***
HL-P/3491/28 **Imphal West, Patsoi**


**/অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদুদা চেকখায়রগা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ফম্বা মতমদসু ঈ তারকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক খরা হেন্না চাশিনবা য়াদবা, চারগনা ঈ হেন্না তাবা হেনবা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোংগী অকোয়বদু চাউথোকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদুদা চেকখায়রগা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ফম্বা মতমদসু ঈ তারকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক খরা হেন্না চাশিনবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, ঈ তাখিবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎলকপদগী মরক মরক্তা ঈ কাপ্পা, অমাংথোঙ মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা অমাংবদু পিক্লা থোক্লকপা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, ঈশিং চৎপদা ঈশিং মরীদা শাবা অমদি নাবা, পুক গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, থজিন শাউগৎপা, চাবা তুমদবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, খ্বাং য়াংলেন নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, হকচাং লূ-তোং চিকপা, নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি:*
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal,
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open),
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sun & Wed open),
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak achouba (6am to 10am)

HL-P/3395/28 *থাগৎচরিবা :* **Th. Deben Singh,** Lamlai


**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL**

**Ref :- Mut. Case No. 597, 598 & 599/AS&SO/TBL, Dt. 23/07/2019**

1) Leitanthem (Ongbi) Premila Devi W/o (L) Binodkumar Singh of Thoubal Achouba
2) Leitanthem Asha Devi W/o Khoinaijam Sunil Meitei of Heingang Mayai Leikai, Imphal East
3) Leitanthem Sanju Devi D/o (L) Binodkumar Singh of Thoubal Achouba Pakhangkhong Leirak.
4) -do- Sapana Devi D/o -do- of -do-
5) -do- Kalpana Devi D/o -do- of -do- - Petitioner

Vs

(Late) Leitanthem Amusana Devi W/o (L) Iboyaima Singh of Thoubal Achouba. -O.P.

**/ NOTICE**

Dt. 26/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি উক্ত পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদার অসিগী মমিংদা পাল্লম্বা পাট্টাশিং - ২৮ নং থৌবাল অচৌবা (১) পাট্টা নং ৩৬৮ অরিবা, ৬৩৪ অনৌবা, দাগ নং ৬১৪৭, এরিয়া .২২০০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম (২) পাট্টা নং ১০৭১ (অরিবা), ৬৩৬ (অনৌবা), দাগ নং ৬১৭৩, এরিয়া .৩৮৮৫ হেক্তর চাউবা (৩) পাট্টা নং ৩৬৫ অরিবা, ৬৩৩ অনৌবা, দাগ নং ৬১৪৬, এরিয়া .০৮২৫ চাউবা ফৌরেল লৌফমশিং অসিদা নামজারি তৌবিয়ু হায়না মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদার অসিগা নক্লবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি ঙসিগী নুমিৎ অসিদগী থারগা নুমিৎ ৭ ফাওবগী মনুংদা আপতি/য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। লোয়ন লোয়ননা মশা য়াওদ্রবসু হৌনবী মতুং ইন্না নামজারি/নামা ওল্লনি।

***Sd/- M. Ningthembi Singh***
HL-P/3496/28 Asstt. Survey and Settlement Officer, Thoubal


**/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি পাইলসকী ওজা ABDUL HAK মণিপুরদা অতাঙবনি**

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, লিকপা, শৌজ মনুং মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চিকপা, শাবা, চাথৎলগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখাইরগা ঈ তাবা, পুক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক্কী মওংগুম, খ্বাং নাবা, লেঙশিনবা, চানীংবা পোক্তবনি। ওজাগী হীদাক চাজবদগী মথক্তা পনঞ্জখ্রিবা লায়নাশিং অসি মপূং ফানা ফজখি। ওজাবু পুন্সিদা কাউজবা ঙমজরোই। মীয়ামগী থৌগল পুন্সি নুংশাংনা তৌবা মপুনা ঙমহনবীবা ওইহনসনু। ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Kh. Ibotombi**
HL-P/3428/28 Lourembam Leikai

**/ খৌনাও মনুংদা নাই চারগা য়াম্না থুপ্পা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, খৌনাও য়াম্না কংশিল্লকপা, ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা য়াম্না নাবা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খৌনাও মনুংদা নাই চারগা য়াম্না থুপ্পা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, খৌনাও য়াম্না কংশিল্লকপা, ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, তিন শিৎপা ঙমদবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, খৌনাও অনীমক পোমথোক্লগা য়াম্না থুপ্পা, খৌনাও মনুংদা মচেৎ মচেৎ নাবা, চাবা থকপা ঙমদবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, হকচাং পাঙ্গল শোম্থরকপা, লোক খুবদা ঈ য়াওরকপা, লোক কংখু খুবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469, 8413870027**দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm. 3. Tiddim Road Old Bazar, Police Station CCpur : 7:00 am to 4.00 pm.

*থাগৎচরিবী :* **Chirom (O) Taruni Devi**
HL-P/3310/28 Kongpal Kongkham Leikai


# প্রোটেষ্টকী মাঙওইননা ওপোজিসন এক্তিভিষ্টশিং ফাজিনখ্রে

মোস্কো, জুলাই ২৭ (এজেন্সি):
থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রবা প্রোটেষ্ট অমগী মাঙওইননা মোস্কোদা ওপোজিসনগী মশক নাইবা মীওই কয়া রসিয়ন পুলিসনা নুমিৎ অসিগী অঙনবদা ফাজিনখ্রে হায়রি।

ওপোজিসন্না থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা প্রোটেষ্ট অদু রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা মমাংদা ইলিগেল ওই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মদুদা ভাইওলেন্স য়াওরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রবনি। মোস্কো মেয়রগী ওফিসকী মপান্দা জি এম টি ১১০০ তগী পাঙথোক্লবা শীনখ্রবা দেমোনষ্ট্রেসন অদু সেপ্তেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মোস্কোগী ওইবা লোকেল ইলেক্সন্দা য়াম্না ফজদবা মওংদা ওপোজিসনগা মরী লৈনবা কেন্দিদেন্টশিং য়াওহন্দনবা ইলেক্সন পেনেলনা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ানিংদবা উৎনবগীদমক্তনি।

ওথোরিটিশিংনদি কেন্দিদেন্টশিং অদুবু মীখল অদুদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লিবদু মখোয়বু শৌগৎলি হায়বা উৎপা অশেংবা সিগনেচরশিং মখোয়না মতিক চানা লৌবা ঙমদবদগীনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবসু ৱাফম অসিবু ওপোজিসন্নদি অরানবা য়ুমফম য়াওদবা মরাল শীবা ৱাফম অমনি হায়রি।

থাংজ নুমিৎকী প্রোটেষ্ট অসিগী মাঙওইননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ক্রেম্লিন ক্রিটিক অলেক্সি নভালনি নুমিৎ ৩০ নিগী ওইনা জেলদা থাজিনখ্রবনি।

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR: IMPHAL**

Advertisement
Dated, the 26th July, 2019

No.MU/5-107/08/FCY/1594: It is hereby notified that 4(Four) Guest Faculty on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Biochemistry through walk-in interview:

| | | |
|---|---|---|
| Specialization: | 1. Protein Biochemistry | 1(One) |
| | 2. Microbial Biochemistry | 1(One) |
| | 3. Open | 2(Two) |

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

Honorarium: Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

Date of Interview: 14.08.2019 at 11:00 A.M.

Place of Interview: Vice-Chancellor's Committee room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Biochemistry, Manipur University, Canchipur- 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

H. Tongin Maring
HL-B/5577/28 Assistant Registrar(Faculty)


**SOFTEK SPOKEN ENGLISH SPECIAL COURSE**
**For Higher Secondary and College Students**

*A new batch will begin on* : **5th August, 2019**
*Timing for Special Class* : **6:00 a.m. to 8:00 a.m.**
*Course Duration* : **3 (three) months**

***Softek Computer Systems, Keishampat Junction, Opp : CC-Parking***
***For further details please contact : 9862574675, 8414976439***

HL-B/3488/28,29